হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, জুলাই ২৯, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ১২০ শুবা মশীং

# ৱর্ল্ড হেপটাইটিস দে

## মণিপুরদা লায়না অসি মুখৎনবা করি থৌরাং লৈরে?

*মালেম* শীনবা থুংদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড হেপটাইটিস দেগী থৌরম মণিপুর য়াওনা মফম কয়ামরুমদা পাঙথোকল্লে। কুমসি চহীগী ওইনা থৌরম অসি পাঙথোকপগী পান্দমদি লায়না অসিবু পুংমুৎ মুথৎপা হায়বসিনি। চহী অসিগী মে থাদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড হেল্থ এসেমব্লিদা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন অমসুং অতৈ মেম্বর ষ্টেটশিংনা লায়না অসি মুখৎনবগী অহানবা খোঙথাং লৌখৎখি। মীয়ামগী হকশেলদা চাউনা শীংনরিবা লায়না অসি কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা পুংমুৎ মুখৎনবগী পান্দম থম্লি। লায়না অসি মীওইবগী হকচাং কয়াৎতা য়াম্না মরুওইবা মচাক ওইরিবা লিভরদা শোকহনবা মখলগী লায়নানি। লিভরগী মথৌশিংবু অহোংবা লাকহন্দুনা অশোয়বা ওইরকপা নৎত্রগা শোকচিনহল্লকপবু হেপটাইটিস লায়না হায়রগা খঙনৈ। হেপটাইটিস হায়বা লায়না অসি চাউরাক্না মখল মঙারোম খায়দোকই। মখলশিং অদুদি হেপটাইটিস এ, বি, সী, দি অমসুং ঈনি। হেপটাইটিস এ অমসুং ঈ হায়রিবা মখল অনী অসিদি মীওইবনা চানরিবা চিঞ্জাকশিং অমদি ঈশিংদগী শন্দোরকপা লায়না মখল অমনি। মরম অদুনা চাউখৎপগী মঙাল ফংদ্রিবা, মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা ইরম খোংলম নীংথিনা শেম্বীদবদগী লায়না অসি থোরকপনি হায়না থাজনৈ। ঈশিং থক্তুঙৈদা নীংথিনা ফুত্তোকপা অমসুং ইরম খোংলমশিং নীংথিনা শেমজিন্নবদি লায়না অসি ঙাকথোকপা ঙমই। মীওইবদা খ্বাইদগী হেয়া শাথিনা চৈথেং পীরিবসি হেপটাইটিস বি অমসুং সীনি। ষ্টেট তৌবদা ঈ কাপ্পা, হীদাক কাপ্পদা য়েতুম তিয়দবা, টেটু হকপা, য়ুম্বানবগী অরোনবা মরী মশীং য়াম্না থম্বনচিংবনি। হেপটাইটিস বি অমসুং দি অনী অসিদি ভেক্সিন কাপথোক্তুনা হকচাংদা চঙহন্দনবা থৌরাং তৌবা য়াই। অদুবু হেপটাইটিস সীদি হৌজিক ফাওবা ভেক্সিন পুথোকপা লৈত্রি। হেপটাইটিস বি অমসুং সী মীয়াম্না খ্বাইদগী হেয়া কিনরিবসিগী মরুওইবা মরমদি লায়না অসিনা নারে হায়বা পাক হেক খঙদে। মহিক অসি চঙখিদুনা চহী ১৫দগী ২০ ফাওবা হকচাং মনুংদা লৈরগা লিভরগী ফঙ্কসন পুম্নমক মথৌ তৌহন্দ্রবা মতমদতা খঙলকই। মরম অদুনা লায়না অসি মীওইবা খুন্নাইদা অচৌবা শীনবা ওইরি।

মতম অমদা মীওইবা খুন্নাইদা য়াম্না কিনরম্বা মখল খুদিংমক্কী হেপটাইটিস ভাইরসদা অসি মেদিকেল সাইন্সনা চাউখৎলকপগী মতুং ইন্না হৌজিক্তি অনৌবা হীদাক-লাংথক কয়া পুথোকলকপদগী হেপটাইটিস সী ভাইরস অসিগী ওইনদি চাদা ৯৫দগী ৯৮ ফাওবা ফহনবা ঙম্লে। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনসু হেপটাইটিস সী লায়না অসি মুখৎনবা পান্দম থম্লি। মণিপুরদসু হেপটাইটিস সীনা নাবা মীগী মশীং য়াম্লি। লিভর শোক্লবা মীওই ১০০গী মনুংদা ৩০ রোমদি হেপটাইটিস সীগী ভাইরসনানি হায়বা কনফার্ম তৌরে। লেমহৌরিবা শরুকশিং অসিগী মনুংদা অয়াম্বদি য়ু থকপগা মরী লৈনবা লিভরগী অনাবনি। হেপটাইটিস সীনা নাদুনা লিভর শোকহল্লবা মীওইশিং অসি চহী ১৫দগী ২০ ফাওবদা লিভর সিরোসিস নৎত্রগা লিভর কেন্সর ওইরকহল্লি। ভাইরস অসি হকচাংদা য়াওনা য়াওনা লিভর শোকপা য়াবা অলকোহোলগা মরী লৈনবা পোৎলম শীজিন্নরবদি শাংলবদা চহী ৭ ফাওবগী মনুংদা কেন্সর ওইরকই অমসুং মীওই অদু শিনবগী মচাক ওইহল্লি। হেপটাইটিস সী হায়রিবা লায়না অসি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা নাবগী চাং য়াম্না ৱাংই। মসিগী মরুওইবা মরমদি ময়ায় কাবা দ্রগ শীজিন্নবগী চাং য়াম্বা, শম ককফম পুনবা, শকখঙদবশিংগা য়ুম্বানবগী অরোনবা মরী থম্বদগীনি হায়না থাজনৈ। হোস্পিটালদা নারিবা অনাবশিং থৌগল তৌরিবা ডোক্টর, নর্স ফাওবা য়াওনা খুদোংথিনিংঙাই ওই। মসিগী মরুওইবা মরমদি ভাইরস মখল অসি নুংশিৎতা পুং ১৮ লোম হিংবা ঙমই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মালেমগী ওইনা কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা লায়না মখল অসি মুথৎনবা পান্দম থমখ্রে। পান্দম অসি ফংনবা মণিপুরগী ওইনা লৈঙাক্না করি করি থবক লৌখৎলে। মহৌশাদগী হৌনা সেন্টরগী য়াকা য়েংলগা থবক তৌবদু অদুমক চথখিগদ্রা নৎত্রগা খোঙজেল য়াংনা লায়না মখল অসি মুথৎনবা তোখায়বা কাঙলোনশিং শেমগদ্রা হায়বা নৈনবা চুমই। মণিপুরগী ওইনা লায়না অসি মুথৎসি হায়বা তারবদি অহানবদা লায়না অসিনা নাবা মী কয়া লৈবগে হায়বা হ্বাইট পেপর পুথোকপা তাই। মখোয়বু কমদৌনা লায়েংলি, মখোয়গা নক্লবশিং লায়না অসিগী মরমদা ৱাখল তারব্রা, মীয়ামদা করম করম্বা ৱাখল্লোনশিং পীরে হায়বনচিংবা ৱাফমশিং অসি থবক্তা ওন্থোক্লবা তুংদা মমল য়াম্না তাঙলবা হীদাকশিং অসি অহোংবা মমলদা মীয়ামদা ফংহন্নবা থবক লৌখৎকদবনি। অসুম্না তৌরগদি লায়না অসি মুথৎপদা মণিপুরসু য়াওহৌবা ঙমগনি।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

# দি আই পি আরগী এচিভমেন্ট

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**হৌখিবা** তাং ৪/৭/২০১৬ দগী ওগষ্ট ১১, ২০১৬ ফাওবা চথুগদবা দি আই পি আরগী দিরেক্টরগী থৌশিল থৌরাংগী মতুং ইন্না মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্কী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা উনদুনা মাগী মাগী দিপার্টমেন্টশিংনা পায়খৎলিবা অমদি পায়খৎকদবা থবক থৌরম কয়া প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়া য়াওনা পূন্না উনদুনা মীচম মীয়ামশিংদা মীৎ-নাকোং ওইগদবা, মণিপুর লৈঙাক্কী পায়খৎলিবা থবক থৌরম অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না থাদরক্লিবা স্কিম/প্রোজেক্টশিং মীচম মীয়াম্না মতৌ করম্না কান্নবা লৌগনি অমদি দিপার্টমেন্টশিংনা লৌগদবা থৌদাং মরিক চুম্না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মীয়ামগা হেন্না নকশিন্ননা থবক পাঙথোকপদা চাউরবা থৌদাং লৌবিরিবা দি আই পি আর অমদি প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

দি আই পি আরগী অসিগুম্বা থৌশিল অসিনা চমজরবা মীয়াম্না মণিপুর লৈঙাক্কী করম্বা দিপার্টমেন্টদা চৎলগা কান্নবা লৌগনি হায়বদু খঙহল্লি। অদুবু লুরিবদি মণিপুরদা সেন্ট্রেল গর্ভর্ণমেন্টকী স্কিম/প্রোজেক্ট কয়া মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌগদবা দিপার্টমেন্টশিংনা থম্মোয় শেংবা ৱাৎপনা (দিপার্টমেন্ট খরনা) মীয়ামদা হেক হেক নিংহন্নবা অমদি পোকহল্লি।

দিপার্টমেন্টশিংগী দিরেক্টর/কম্মিস্নর/চীফ এঞ্জিনিয়রশিংনা দি আই পি আরগী থোংদা ফোঙদোকখিবা স্কিম/প্রোজেক্টশিং থম্মোয় শেংনা পাঙথোকপদা মরী লৈনবা মিনিষ্টরশিং অমদি অতৈ অতৈনা কা হেন্না খূৎ থিংজিনবীদ্রবদি (ঐগী মতনি) হেন্না চাওখৎপা মণিপুর/কংলৈপাক অমা ওইবগা লোয়ননা হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংগা চমজরবা মীয়ামগা খূৎশম্নরবদি দি আই পি আরগী মিদিয়াশিংগা উনবগী ৱাহন্থোক লৈবা হায়বদু ওইদুনা মীয়ামগীদমক্তা লৈঙাক অমা লৈ হায়বদু উৎহন্নিংই। পূম্নমক অসি দি আই পি আরগী এচিভমেন্টনি হায়জনীংই। মতুংদসু দি আই পি আরনা অসিগুম্বা থৌশিল থৌরাং অসি পাঙথোকপীরক্কনি হায়বগী থাজবা থমজরি।

*অদোমগী - য়ুমখাইবম ইনাওচা*
*তোপ মখা লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্ট*

**হায়নবা লৈ ঃ**
*তোনানবা মীদি মতম লৈবা খিবিক্তা মীৱা তাই।*

# সাউথ চাইনা সিদা চাইনা অমদি অমেরিকাগী অহেনবা খূৎ

অওনবা মালেম
সৌবাম তোম্বা লুৱাং

**“হায়রিবা** লৈবাক খরসিনা চাইনাগা লৈনবা মরীদা অহোংবা লাক্লবদি মখোয়না বোম, তোপকী মখোল তানবা শেম শাবা তাই। ঐখোয় থবক অসি তৌনবা শেম শাদুনা লৈবা তাই। হায়রিবা লম্বী অসিখক্তনা সমুদ্রগী চয়েৎনবা লৈরিবসি কোক্লবা অমখক্তা ঙায়রবা লম্বীনি।” ৱাফম অসি কয়াদা পোঙনা হায়খ্রবা। চাইনানা চয়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সিগী মতাংদা হায়খিবনি। গ্লোবেল টাইমস কৌবা চাইনাদা ফোঙবা পাউচে অমগী পাউমী অমনা হংলুবদা চাইনাগী ফোরেন এফিয়ারসকী মচিন চৎপী নুপী অমনা কিহনবোই-করিবোই পীরকপা পাউখুমনি। মসিদসু নৎত্রি মদুদি চাইনাদা লৈঙাক্লিবা কম্যুনিষ্ট গভর্ণমেন্ট অসিগী মখাদা লৈবা ‘পিপলস দেলি’ কৌবা পাউচে অসিগী এদিটোরিয়েলদা অসুম্না ইখি “চাইনাবু ঈংনা তপ্না অদুম লৈগনি হায়না খনগনু।” চাইনাগী ঙা ফাবা মীওইশিংগী হি সাউথ চাইনা সিদা ফিলিপিন্স অমদি সাউথ কোরিয়াগী কোষ্ট গার্দকী পুলিসশিংনা ফাজিনখিবদগী এদিটোরিয়েল অসিদা অকনবা/অশাওবা ৱাহৈশিং অসি ইদুনা ফোঙদোরকপনি। অদুবু মহাক্কী লৈবাক অনী অসিনা হায়রিবদি চাইনানা থওইনা মখোয়গী ঙামীশিং চয়েৎনরিবা সমুদ্রদা ঙা ফানবা থাজিল্লি হায়বসিনি। অমনা অমদা মরাল থংজিন্নদুনা লৈবগী মওংনি হৌজিক লৈরিবা মওং অসি।

চাইনাগী খা থংবা শরুক্তা লৈরিবা সমুদ্রগী শরুক অসিনি সাউথ চাইনা সি হায়দুনা খঙনরিবসি। চাইনাখক্তা নত্তে মসিগী সমুদ্রগী শরুক অসিদা লৈরিবসি। সমুদ্র অসিগী খোঙবালদা ফিলিপিন্স, ভিয়েটনাম, টাইৱান, সাউথ কোরিয়া, ইন্দোনেসিয়া, ব্রুনৈ, মালেসিয়া, কম্বোদিয়া, সিঙ্গাপোরনচিংবা লৈবাকশিং লৈরি। হায়রিবা লৈবাকশিং অসিগনি চাইনাগা সাউথ চাইনা সি অসি মুন্নরিবসি। সমুদ্রগী ঈশিংগী লম্বী অসিদা থবক মখল কয়াগী চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অথিংবা কয়া লৈরি। লৈরিবা অথিংবা অসি অতৈ লৈবাক্তগী নত্তে চাইনাদগীনি। সাউথ চাইনা সিগী পাক চাউরবা ঈশিংগী শরুক অয়াম্বা চাইনানা মখোয়গী শরুক্নি হায়না কনশিন্দুনা থল্লগা অতৈ লৈবাক কয়াগী জহাজনচিংবা ঙা ফাবনচিংবা থবক কয়া তৌবা য়াহন্দে। অতৈ লৈবাকশিং অসিগীসু ঈশিংগী শরুক অসিদা মখোয়না মনিং তম্না মথৌ তৌজনবগী হক লৈরিবনি। হায়রিবা লৈবাকশিং অসি চাইনাগা পাক চাউবগী চাং য়েংনবদা অপীকপা লৈবাক ঙাক্তনি। শেল থুমগী ফীভম, মীগী মশীং, লান্মীগী হৈশিংবগী চাং অদু য়েংলুরবসু চাইনাগা চাংদম্নরুবদা য়াম্না শাথিনা খেন্নে। ফীভম অসি লৈবনা চাইনানা মখোয়গী অৰেবা মপাঙ্গল শীজিন্নদুনা ঈশিংগী পাক চাউরবা শরুক অসি কনশিন্দুনা লৈরিবনি।

করিগীনো সাউথ চাইনা সিগী সমুদ্রগী চাউরবা ঈশিংগী শরুক অসিদা লৈবাক ময়াম অসিনা মুন্নরিবসি? ৱাহং অসিনি খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি। সাউথ চাইনা সি অসিগী ঈশিংগী ঈরোন্নুংদা থাউ অমদি গ্যাস মরাং কায়না লৈরি। লৈবাক কয়ানা ঈরোন্নুংদা লৈরিবা গ্যাস অমদি থাউগী চাং অসি মাগী মাগী ওইবা মওংদা লেপ্লে। চাইনা গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ জিওলোজিকেল রিছোর্সেস এন্দ মাইনিং হায়রিবসিনা হোৎপগী মতুং ইন্না সাউথ চাইনা সিগী ঈরোন্নুংদা শুংদোক্ত্রিবা থাউ, বিল্লিয়ন টন ১৭.৭ কী চাংদা লৈ হায়রি। হায়রিবা চাং অসি মালেমদা থাউ খ্বাইদগী য়াম্না পুথোক্লিবা কুৱেটতা লৈরিবা থাউ অসিদগীসু য়াম্বা হেল্লিবু হায়নরি। অতোপ্পা কাঙবু খরনসু মাগী মাগী ওইবা চাংদা পানবসু লৈরিবনি। পূন্না য়েংবদা হায়রিবা ঈশিংগী ঈরোন্নুং অসিদা থাউ য়াম্না লৈরে হায়বসিমদি চুম্লে। ঙসিগী মালেম অসিদা থাউ হায়বা পোৎশক অসি য়াওদনা হিংবা য়াদবগুম লৈরি। থাউ থোক্তবা লৈবাক কয়া থাউ পুথোকপা লৈবাক কয়াদগী থাউ লৈরি। মসিদা য়াল্লবা লৈবাক্কী শেনফম কয়া চৎলি। মসিগী মথক্তা থাউ পুরক্লবগীদমক চাউরবা শেনফম অমসু চৎলি। থাউ পুরকপগী থবক অসি অয়াম্বনা সমুদ্রগী ঈশিংগী লম্বীদা তৌনৈ। মরম অদুনা সাউথ চাইনা সি অসিসু পোৎ-চৈ পুনবা জহাজ কয়া চৎথোক-চৎশিন তৌনবগী য়াম্না মরু ওইবা ঈশিংগী লম্বী অমা ওইরিবনি। অমেরিকাগী জিওলোজিকেল সর্ভেগী কাঙবু অমনা থিজিনবদা সাউথ চাইনা সিগী ঈরোন্নুংদা লৈরিবা শুংদোক্ত্রিবা থাউগী চাং অসি বেরেল বিল্লিয়ন ১১ নি হায়না পারি। চাইনা, অমেরিকা অমদি লৈবাক কয়ানা পাবদা ঈরোন্নুং অসিদা তোঙান তোঙানবা মখলগী নেচরেল গ্যাস অসি ক্যুবিক ত্রিলিয়ন ১৯০ দগীনা ক্যুবিক ত্রিলিয়ন ফিট ৫০০ গী চাংদা লৈ হায়রি। অদু ওইরবদি কয়াদা য়ামখ্রবা গ্যাসনো লৈরিবসি। মসিননি সমুদ্র অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা লৈবাকশিং অসিনা ঈশিংগী শরুকশিং অসি কনশিন্নবা হোৎনরক্লিবসি।

থাউ অমদি গ্যাস চিংথোক্লবা লৈবাক কয়াসিনা সমুদ্রগী ঈরোন্নুংদা হুৎতুনা থবক হৌনৈ। চাইনানা সমুদ্রগী ঈরোন্নুংদা মিটর ২০০০ লুথনা হুৎতুনা থাউ অমদি গ্যাস চিংথোক্লবা হোৎনরি। মফম কয়াদনি তৌরিবা থবক অসি। লাক্কদৌরিবা চহী কুনমুকসিদা থাউ অমদি গ্যাস মেত্রিক টন মিলিয়ন ২৫ চিংথোক্লবা পান্দম থল্লি। মসিগীদমক বিলিয়ন দোলর ৩০ চাদিং তৌগদৌরি। ফিলিপিন্সসু থাউ অমদি গ্যাস চিংথোক্লবা লৈনুংদা হুৎপগী থবক হৌরকপদা চাইনানা মখোয়গী ঙমখৈগী শরুক্তা তৌবা য়ারোই হায়দুনা অথিংবা পীবদগী তৌবা ঙমখিদ্রে। ভিয়েটনাম, মালেসিয়াসু থাউ অমদি গ্যাস চিংথোক্লবা হোৎনবদসু চাইনানা অথিংবা পীরকপদগী মখা চথুবা ঙমদনা তোকখ্রে। থাউ অমদি গ্যাস মরাং কায়না থোকপদা নত্তনা সাউথ চাইনা সি অসিগী ঙা মরাং কায়না লৈ। ঙাগী পোৎথোক য়াম্না চাউনা পুথোকপা ঙম্মী। ঙাগী পোৎথোক্তগী অচৌবা ইনকম অমা লৈবাক্কী শেঙ্গাউদা হাপচিনবা ঙম্মী। মসিদা ঙা ফানবগীদমক লৈবাকশিং অসিনা সমুদ্রগী শরুক অসি মুন্নরি। ঐখোয়গী লমদম অসিনা চীংলৈবাক ওইবনা সমুদ্রগী কান্নবশিং অদু কদায় ফাওবা লৈবগে হায়বদু খঙদবগী ৱানি। য়াম্না কান্নখ্রবা হায়বদুনি। চৎথোক চৎশিনগী অচৌবা লম্বী অমা ওইনরিবনি। কংফালদা লম্বী কয়লাস থাবা অদুম হায়না লম্বী শেন্বগীদমক অচৌবা শেনফম কয়া কায়থোকপসু নত্তে। ফত্তবা লম্বী শেম্বা হায়বদুমা লৈত্রবনি। সমুদ্রগী ঈশিংগী লম্বী অসিনা পোৎ চৈ লৈবাক অমদগী লৈবাক অমদা পুবদা খ্বাইদগী অহোংবা ভারা হায়বদু ওইরি। মসিগীসু মথক্তা জহাজদা পোৎ য়াম্না পুদুনা চৎপা য়াই। মালেমদা ঙা ফাদুনা পুথোক্লিবা ঙাগী পোৎথোক অদুগী চাংগী চাদা নিপানদি সাউথ চাইনা সিগী সমুদ্রদগী পুথোরকপা ঙাগী পোৎথোক্লা ওইরি। চাইনানা পাবা মশাগী হিসাবতা ঙাগী পোৎথোক্তগী লাক্লিবা শেনফম অসি বিলিয়ন দোলরদনি হায়রি। ঙা, গ্যাস অমদি থাউ অহুমসি পুনশিল্লগা পাবা হিসাবতা চাইনানা ফংলিবা কান্নবা অসি ত্রিলিয়ন দোলরগী শেনফমনি। অসুম্না ফিলিপিন্স, ভিয়েটনাম, কম্বোদিয়া, মালেসিয়া, সাউথ কোরিয়া অমদি টাইৱান্নচিংবা লৈবাক কয়াসু থবকশিং অসি পায়খৎলকই। অদুবু চাইনানা অথিংবা কয়া পীরি। মসিদগী মুক্লবা, য়েংথিনবা থৌদোক কয়া থোক্তুনা লৈরি। সাউথ চাইনা সি অসি চায়নপুঙ ওইদুনা লৈরি।



লৈবাক কয়ানা মুন্নরিবা সাউথ চাইনা সিগী শক্তম

ফিলিপিন্সনা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা চাইনাগী মথক্তা থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎ অমগী মতুং ইন্না ৱারেপ কয়া তাখ্রে। ৱারেপশিং চাইনানা মৱা লৌদে হায়দুনা নাচুংদনা লৈ। হায়রিবা সমুদ্রগী শরুক অসিদা অথিংবা লৈতনা জহাজশিং চৎথোক চৎশিন য়াহনবা হায়বসিসু য়াওরি। থায়নদগী মশাগী ঈশিংগী শরুক্কি হায়না লৈরিবা শরুক্তুদা থাউ, গ্যাস, ঙা ফাবনচিংবগী থবক পায়খৎচবদা অথিংবা পীদবনচিংবা য়াওরি। মদু পূম্নমক চাইনানা মশাগী লৈবাক্কী থৌশিলদা খূৎ থিংজিল্লকপনি হায়না লৌরদুনা ঈশিংগী শরুক্তা লালগী জহাজশিং থাজিন্দুনা ঙাক শেল্লি। মতাং অসিদা অমেরিকা য়াওশিল্লকপা অসিসু পোলিটিক্সকী ওইবা মায়োল অমনি। অমেরিকাদি য়ু এনমকসু নত্তে ৱায়েনবা ঙম্বা নৎত্রগা য়াবা। সুপর পৱারনি হায়বগী মওংদা সাউথ চাইনা সিগী সমুদ্রদা অমেরিকানা মশাগী লালগী জহাজশিংসু পেট্রোলিং চৎলি। মসিদি ফিলিপিন্স, সাউথ কোরিয়া, টাইৱান, মালেসিয়া, কম্বোদিয়া, সিঙ্গাপোরনচিংবা লৈবাকশিংগী হাকলদনি। হায়রিবা লৈবাকশিং অসিবু ঙাক শেনবিবা ওইনা অমেরিকাগী লান্মীগী বেজ কয়া হাংদোক্তুনা থল্লি। অমেরিকানদি চাইনাবু মশাগী মেপ পাকথোক চাউথোক্লবা শিল্লি হায়না মরাল শীরি। অদুবু অমরোমদা অমেরিকাসু মশাগী খুদোংচাবা কয়া য়েংদুনা লৈবাক কয়াদা মখোয়গী খূৎ চঙলি। মসিসু মশাগী মেপ পাকথোক চাউথোকহনবগী খুদম অমনি। অমনা এসিয়াদা লৈবনি অদুগা অমনা অমেরিকান কন্টিনেন্টতা লৈবনি। সাউথ চাইনা সিগা অমেরিকাগদি য়াম্না লাপ্নরি। অদুবু অমেরিকানা এসিয়াদা লাক্লগা মপাঙ্গল উৎথোক্লরিবা অসিসু মালেমদা শান্তি পুরক্লবা হোৎনবদা চয়েৎনবা থৌওং অমনি হায়বা য়াই। ঙসিদি মালেমগী থৌদোক কয়া থোক্লকপদা অমেরিকা অমদি চাইনা অনীগী খূৎ চঙদবা য়াওশিল্লক্ত্রে। কোল্ড ৱার লোইখ্রবা মতুংদা রসিয়াদি মপাঙ্গল খরা শোন্থরে। লিংখৎলক্লিবসি চাইনানি। অদুবু রসিয়াসু শোনবমক্তি নৎত্রি। লৈবাক অহুম অসিগী খূৎনি মালেমগী মফম কয়াদা চঙলিবসি। মসি পূম্নমক লৈবাক অহুম অসিগী পোৎথোকশিং লৈবাক কয়াদা শেন্দোং লৈনা, মতম শাংনা য়োনবা ঙম্নবনি চঙলিবা খূৎ অসি। ঙসিদি পোৎথোক য়াম্না পুথোকপা ঙম্বা লৈবাক্তুনা মালেমগী সুপর পৱার ওইরে। মখোয়গী মৱা চৎলে য়ানিংলবসু/য়ানিংদ্রবসু। মখোয়বু শাওহল্লুবদা হিংবদা ৱারে অমদি চাউখৎ খোঙথাংদা শোৎথরে। লুরদ্রা মালেমসি!

অপীকপা লমদম ওইরবসু পোৎথোক পুথোক্লবদি সুপর পৱার ওইবা য়াই। মণিপুরসু ঙাগী, ইয়োংগী, মনা-মশিং, হৱাই-চেঙৱাইগী, হৈ-রাগী, ৱাগী পোথোক হেনগৎহল্লবদি ইন্দিয়াগী ওইনা সুপর পৱার ষ্টেট ওইবফাওবদি য়াই। মসি ঙমদ্রবফাওবদা মীপান তাঙদবফাওবদি ঙমগনি। মীঙোন্দগী নিরগা হিংবদৌনা তৌবসি ইকায়দ্রা? অকল্লবা লম খরদা মণিপুরদা পোৎথোক পুথোক্লবগী মহৌশা লাইরেম্বীনা পীবিরম্বা মচাক থন্না লৈরি।

# দায়ত্ব পুফম থোক্লিবসি কনানো

মতম মতমগী ৱাফম
সেঞ্জম দেবেন

**চহী** ১৪/১৫ রোম মণিপুরগী লৈঙাক পায়দুনা লাক্লগা হৌজিক্তা টার্ম লোইশিল্লমদাই য়ৌশিল্লক্লবা মতমদা অমদি অনৌবা ইলেক্সনগী লংদাই য়ৌরক্লমদাইদা, মণিপুর লৈঙাক্কী পৈশা লৈত্রে, ওভর দ্রাফ্ট তারে, শেল-থুমগী ফীভম ফৎচিল্লক্ত্রে হায়বসি কনাগী দায়ত্ব ওইফম থোকই ? লমদমসিগী লৈঙাক্কী থৌমীশিংগী থাগী খূৎশুমলশিং ফাওবা পীবা কোন্নদবগী ফীভমদা লৈরে হায়রিবসি, লমদমসিগী লৈঙাকপা কাঙবুশিংসি অফবা অমসুং তমজনীংঙাই ওইবা লৈঙাকপশিংনি হায়না লৌখিগদৌরিব্রা? পূম্নমকসিগী দায়ত্ব কনানা পুফম থোকই? হীরমসিদা দায়ত্ব পুফম থোক্লিবা মীশক্তু অপীকপা অঙাংশিং ফাওবনা ইরায়-লায়না খঙনরম্লগনি খল্লি। মীরমদদি শুপ্নগী চহী ১১/১২ খক্তং লৈঙাক পায়বা ফংখিবদা লৈপাক্তু পুমওন-ওনহল্লি হায়নরিবনি। মশানবু ফরবদি পোলিটিক্সতা অৱাংবা থাক্কী ফমথোনশিং কাখিবা য়াই। লমদমসিদদি মশা মথন্তগী ফীভমখক নত্তনা লৈপাক্কী ওইবা চাওখৎ-খোঙথাংশিংগী ফীভমদদি খক অওনবা-অহোংবা অমত্তা পুরকখিবা থেংনখিদ্রি। অওনবা-অহোংবা পুরকপগী মহুত্তা লৈঙাক কুইনা পায়রক্লগা লৈঙাক্কী এক্স-চেক্করদা শেল য়াওরমদ্রে, লৈঙাক্কী থৌমীশিংগী খূৎশুমল ফাওবা পীবা ঙম্লরোই হায়রিবসিনি। অঙকপা থৌদৌ ওইনা লৌফম থোকত্রিবরা? ফীভমসিদা লৈঙাক্কী থৌদৌশিংদা ৱা মচেৎ অমা ফাওবা ঙাঙদনা, তুমিন্না লেপ্তুনা য়েংলগা অপেনবা পোক্তুনা লৈথোকপা হায়বসিসু লৈপাকসিগী মীচম-মীয়ামশিং, লমদমসিগী য়েলহৌমীশিং ওইদবগা চপ মান্নরকত্রিবরা?

ষ্টেট অমা নৎত্রগা লৈপাক অমা হায়বসি মশাগী ইনকম খজিক্তং ওইরবসু লৈফম থোক্লমগনি। মণিপুর ষ্টেটকী ইনকমশিং কদাইদা লোয়না চৎখ্রবনো? ইচম-চম্না ষ্টেট লৈঙাক্না চাদা ১০ খক্কী শেনফম পুথোক্লগা লেমহৌবা চাদা ৯০ গী শেনফম্না সেন্ট্রেল লৈঙাক্না পুথোক্দবা লৈপাক্কী চাওখৎ-থৌরাংগী খোঙথাংশিং ফাওবা ষ্টেট লৈঙাক্না শেল পুথোক্লিংঙাই লৈতে হায়দুনা কয়ারক হন্না পাঙথোকখিদবগী ৱারীশিং তাখ্রে। হৌখিবা চহী লিশাং শিৎনা ষ্টেট লৈঙাকসিনা, লৈঙাক্কী কারক্কদবা শেনফমশিং মওং-মরীল তানা অমদি চাং নাইনা খোমগৎখিবগী খুদমশিং অমত্তসু উখিদ্রি। মৈগী, ঈশিংগী, ওক্ট্রোই চেক পোষ্টশিংগী, ললোন-ইতিক তৌবশিংগী অমদি মণিপুর পূম্বগী লৌ-ইঙ্খোলশিংগীদমক লৈঙাক্তা কারক্কদবা টেক্সশিং অমদি অতৈ মখল কয়ামুক্কী টেক্সশিং অমত্তসু মফম-মরাঙ খঙনা কাহনবগী খুদমশিং উদ্রি। লমদম অমগী মশাগী লাকফম থোকপা ইনকমগী সোর্স শেমগত্তবা হায়বসি লমদমদুগী তুংগী মীরোলশিংগী পুন্সিশিংগীদমক অকিবগী মশক শোয়দনা ওইরকফম থোকই। মরা চেৎনা অমসুং মতম শাংনা ঙাক্লক্লবা লৈঙাক অমনা অসুক কুইরবা ফাওবদা মণিপুরগী ওইবা রেগুলার ইনকমশিং লাক্লবগী লম্বী অমা ফাওবা য়াৎলমদবা হায়বসিসু অঙকপনি। মতম চুপ্পদা মীঙোন্দগী নীরগতা হিংগনি হায়বা ৱাখল্লোন্দা য়ূম্ফম ওইরগা লৈঙাকপা লানগনি। ইন্দিয়া লৈঙাকমক লৈরমদ্রবদি ঐখোয় কনাদা ঙারুগনি। ইথন্তা হিংজবা ঙম্নবগী থৌরাং অমা ফাওবা ঙসি ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্না ইশাগী ওইনা পায়খৎনবা হোৎনবীরমদবা হায়বসিমক তশেংনা লায়বক য়াম্না থীবনি। পাল্লিবা লৈঙাকসিনা লমদমসিদা মতম কুইনা অমসুং মরা তপ্না পাল্লক্লবনিনা, ইরমদম মণিপুরগী অফ-ফত্তা খুদিংমক পাল্লিবা লৈঙাকসিগী মথক্তা লোইনা তারক্লোই হায়বসু কনামতনা হায়বা খক ঙম্লোই।

চহী ১৫ রোম লৈপাক্কী চুপ্লি পায়দুনা লাক্লবা লৈঙাক অমনা লৈপাক্তুগী মীয়ামশিংগীদমক মরন্নাই হিংজনবা শেন্থোক লম্বেলশিং অমত্তা ফাওবা য়াৎপীরমদবা হায়বসিসু তশেংনমক লৈঙাক্তু লৈপাক্তুগীদমক খনবা অফবা লৈঙাক্কি হায়বসিদি করম্না হায়রুগনি। নোংমা ইখঙ-খঙহৌদনা করিগুম্বদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মরম অমদগী ষ্টেট লৈঙাকশিংদা মতম খরগী ওইনা তেংবাঙ অমত্তা পীবা ঙমখিরোই হায়রক্লবদি মণিপুরগী মীয়ামসি করি চাদুনা হিংগনি? নৎত্রগা হিংদবা তারিব্রা? পাল্লিবা লৈঙাকসিদা ঐখোয়না পীরুরিবা লৈঙাকসিগী খুভমসি তশেংনমক শাংমনখ্রে। মখোয়গী পারানা অনৌবা থৌরাং অমত্তসু পুথোক্লকপা উখিদ্রি। ৱাফমসিসু ময়েক শেংনা খঙনরে। মখোয়গীদমক লমদমসিগী মীয়াম্না অনৌবা তাঞ্জা য়েংনবগী খুদোংচাবশিংসু মতম কয়া মাঙহঞ্জদুনতা লাকখ্রবনি। তেল্লবা মতমগী মনুংদা গুজরাট ষ্টেটনা চিফ মিনিষ্টর মোদি লৈঙাক্কী মঙান্দা লাইরৈপাকমক্কা চপ মান্ননা চাওখৎখি। গুজরাট ষ্টেটনা মশানা তাঞ্জবা ইনকম্না মশাগী শীজিন্নবদগী হেন্দোক্তুনা অসুক্কী মতিক লেমখ্রে। মশাগী শীজিন্ননবগী চাংদগী লেপ্লে হায়দুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা অহেনবা শেনফমশিং মতেং ওইনা পীরক্লি। গুজরাট ষ্টেটনা চাওখৎখিবা চহী মশীংদু হৌজিক মণিপুর লৈঙাক্না মণিপুরদা লৈঙাক পায়রক্লিবা চহী মশীংসিগা য়েংনরুবদা মণিপুর লৈঙাক্কী চহী মশীংনা শাথিনা হেন্না শাংলবনি। মণিপুর লৈঙাক্না শাংলবা মতমসিগী মনুংদা গুজরাট ষ্টেটনা চাওখৎখিবা থাক্তুমক য়ৌনা চাওখৎহনসি হায়বমক নৎত্রবসু, খুজিল খুনাম্থোক্তগী ইন্দিয়া লৈঙাক্না খুদোংথিরকপা মতম অমদদি ইরন্নাই মতম খরদংদা ওইরবসু হিংজবা ঙম্নবা পাম্বে অমদি থিফম থোকই হায়বসিনি। হঞ্জিন হঞ্জিনসু পঞ্জখ্রে, খিত্তা ওইরসু শেম্বী-শাবীবা হৌবীরম্ফম থোকপ্রা খল্লি। মদুগী মহুত্তা, শাংলবা মতম অমা লৈঙাক পায়রক্লগা মমৈদা ষ্টেট লৈঙাক ওভরদ্রাফ্ট তারে, লৈঙাক্কী থৌমীশিংগী খূৎশুমল পীনবা শেনফম ফাওবা লৈত্রে হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্না মণিপুরগী মীয়াম্বু উশিৎপীদবগী থৌদৌগা চপ মান্নে লোয়ননা থোইদোক হেন্দোক্লা খনবীদে হায়বগী ৱাফমসু ময়েক শেংবা মাল্লি। ফীভমসিদা মণিপুরগী মীচম মীয়ামশিং ৱাখল য়াম্না মুন্না খন্থফম থোকই।

লৈঙাক্লবু ফরবদি লৈপাক অমনা চাওখৎ খোঙথাংদা লম্বা লৈতনা য়াঙখৎখিবা হায়বসি করিসু নত্তে। লৈপাক অমগী মনুংদা খ্বাইদগী লুরিবসি লৈঙাক্তুনি। লৈপাক অমগী লৈঙাক্কী অশেংবা ৱাহন্থোক্তি লৈপাক্তুবু ঙাক্লৌ ওইনা ঙাকখৎপীবনি লোয়ননা ঙাকপী-শেনবিবনি। থৌদৌশিংসি উবা ফংলকত্রবদি লৈপাক অমগী লৈঙাক হায়বসিগী ৱাহন্থোক খক লৈফম থোক্তে। লৈঙাক্লোন নৈনবা পোলিটিক্সিয়নশিংগী মিৎয়েংদা মথক্কী ৱাফমশিংসি ফোঙদোকচবা নৎচদে। পোলিটিক্সিয়নশিংগী প্রোপেগন্দানা মাঙ থাবা, মায়কৈ ফাংনা য়েংবা মিৎয়েংশিংগা কনাগুম্বা কলমনিষ্টশিংনা চুম্না অমসুং শেংনা য়েংজবা ৱাখল মিৎয়েংশিংগদি মতম লৈবা খিবিক্তা খেন্নগনি। কলমনিষ্টশিংগী ৱাখল-মিৎয়েংশিংবু কনাগুম্বনা কৈদৌঙৈদা খক পোলিটিক্সকা তোৎশিন্ননা উবীদবা অমসুং খুন্নাইসিগী মীচম-মীয়ামশিংগী ওইবা ৱাখল্লোনশিংগী শম্বল ৱাংমা খক লান্না লৌবীদবসু পামজৈ। পায়নীংবা পোলিটিকেল পার্টি অমনা ইরমদমসিগী লৈঙাক-থৌদা হেক্তমক পায়জখিসনু। তৌবদদি, মখোয়না পায়রিবা লৈঙাক্তু মণিপুরগী মীচম-মীয়াম পূম্নমকপু য়াইফহন্নবগীদমক্কি অমদি মীয়ামগী তুংগী পুন্সিশিংবু চাউখৎ-খোঙথাংগী মঙাল অমগা লোয়ননা নুংঙাইবা লম্বীশিংদা লমজিংবীনবগীদমক্কি হায়বসি খক কাউহঞ্জনীংদে। পোলিটিক্সিয়নশিং অয়াম্বনা চপ চানা নহা ওইরিঙৈ মতমদগী হৌনা লৈপাক মীয়ামগী থৌগল লেপ্তুনা তৌরক্লবসু, মপোকথোংময়া লাংলবা, চহীনা নম্বো পোদুনা মখ্বাঙ কোন্থরক্লবা মতম ফাওবদা ইলেক্সনগী ৱাখল লায়নাদা লাইচুবদুদি খক কোক্লদে। ৱাফমসি মীচম-মীয়ামশিংনা অফবা ৱাখল্লোন ওইনা খক লৌবা ঙম্নদে। মশানা মশাগী পুন্সি কৈথেল খল্লক্কদৌরে, পুন্সি লম্বীদা নুমিদাংৱাইরম ওইশিল্লক্লে হায়বসি খঙজদবদগী অহল ওইরবা পোলিটিক্সিয়ন কয়ামরুম্না চুহী চাবা খুদুং ইনবগুম ইরমদমসিগী য়ক লাওনা হৌগৎলক্লিবা নহারোল কয়াগী মতিক-মঙমশিংবু অরেম্বদা কাঞ্জথাঙ তাহল্লি। লমদমসিগী অহল ওইরবা পোলিটিক্সিয়নশিংনা ৱাখল খন্থহন্নিংই।

মণিপুরগী মথং চহী হৌগৎলকপদা লাক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেকসনসিদদি, মণিপুরগী অরি-অরিবা পোলিটিক্সিয়ন মখৈ পোত্থাহল্লগা অনৌবা ‘বিলো থার্টিফাইভ’ ওইবা কেন্দিদেটশিংদা ভোৎ লেপহনবগী খুদোংচাবা পীনবগী ৱারেপসু মণিপুরগী মীয়াম ঐখোয়না লৌরসি। লোয়ননা, ইলেক্সন লেপকদবা কেন্দিদেট খুদিংমকসু ক্বালিফাইদ ওইবা ঙাক্তা ওইনা খনসি। ফীভমসিদা পায়নীংবা কাঙবু অমনা মণিপুর লৈঙাক পায়জসনু। মণিপুরদা অওনবা অহোংবা অমগী মমিদি খরদংদা ওইরবসু শোয়দনমক্কী তারক্কনি। মতমসি কম্প্যুটরগী অমদি হ্যুমেন রিছোর্সকী য়ক লাউরবা মতমনি। লমদমসিদা, চহী নিফু-য়াঙ্খে হেন্না পোলিটিক্সতা অহোংবা ৱাখল্লোন য়াওরক্তনা লাক্লবা, অচৎপা লম্বী অমত্তদা হঞ্জিন-হঞ্জিন চৎলক্লবা ভেটরান পোলিটিক্সিয়নশিংগী অমনবা পোলিটিকেল ফোর্মুলাশিং এপ্লাই অমুক হন্না তৌহল্লগুমসি। মসিনা মীয়াম্না পাম্নদবা দার্টি পোলিটিক্সিয়নশিংগী দার্টি গেমশিং থোকহল্লক্কনি। ভেটরান পোলিটিক্সিয়নশিংগী মচা-মশুশিংনা মখোয়গী অহল-লমনশিংগী মহুৎ শিন্দুনা থোকচরকসনু। নৎত্রবদি, মণিপুর লৈঙাক মমাঙদা কয়ারক হন্না উখ্রবগুম, কোকউ হায়বদসু য়াদবগুম তৌ, নৌনা অনৌবা মচু অমনা শঙবদসু চুশিন্দগুম তৌ, হান্নগী-হান্না, হামু-হামু অদুমক লৈহৌগনি।